ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ
ꯅꯤꯡꯊꯧꯀꯥꯕ, ꯖꯨꯂꯥꯏ ꯰꯹, ꯲꯰꯱꯸, ꯏꯝꯐꯥꯜ
꯴꯲ ꯁꯨꯕ ꯆꯍꯤ, ꯱꯰꯶ꯁꯨꯕ ꯃꯁꯤꯡ
হুইয়েন লানপাউ
নিংথৌকাবা, জুলাই ০৯, ২০১৮, ইম্ফাল
৪২ শুবা চহী, ১০৬শুবা মশীং

বন মহোৎসবকী চয়োল

টাই পুনবশিংনা থারম্বা উপালশিং লোইনমক হৌহনসি

লৈবাক অসিদা চহী খূদিংগী ওইনা জুলাই ১দগী ৭ ফাওবা হায়বদি চয়োল অমা চুপ্পা বন মহোৎসবকী থৌরম পাঙথোক্লে। থৌরম অসি ইন্দিয়ানা মনীং-মখা তম্বা লৈবাক অমা ওইরবা মতুং কুমজা ১৯৫০দা য়ুনিয়ন মিনিষ্টর ওফ এগ্রীকলচর উলাপতি ডো. কে এম মুনশিনা ইহান হান্না হৌদোক্তুনা চৎনহল্লম্বনি। থৌরম অসি লৈবাক শীনবা থুংনা পাঙথোকপগী মরুওইবা পান্দমদি কোকশিল্লক্লিবা উমংশিং অমুক নৌহৌননা হিংগৎহন্নবা, উপাল অমা য়াল্লগদি উ পান্বী ১০ থাজিল্লু হায়বা ৱাখল্লোন অসি মীয়ামদা খঙহন্ননবনি। ঙাইহাক লৈতনা ঈশিং ঈচাউ থোকপা অমসুং তুরেলগী খোংনুং নোংমা নোংমগী থেনগৎলক্তুনা মহৌশাগী খলদা পীরিবা চৈথেং অসি য়েংলুরগদি হৌজিক্কী মতমদা বন মহোৎসবকী থৌরম পাঙথোকপসি য়াম্নমক মরম চাবা অমসুং তঙাইফদবা ওইরি। উপাল-ৱাপালশিংগা মীওইবগা লৈনরিবা মরী অসি পুন্না হিংমিন্নবা হায়বদুনি। উপাল-ৱাপালশিং ঙম্না কোকথোকখ্রবদি মালেম অসিদা মীওইবা লৈবা ঙম্লোইদৌরিবনি। ঈশিং-নুংশিৎকী খল কায়হন্দনা থম্ন বগীদমক্তা উ চারাশিং থাবা অমসুং মখোয়বু হৌহনবা হায়বসি তঙাইফদবনি। মীৎয়েং অসিদা য়েংলগা কুমসি চহীগী ওইনা বন মহোৎসবকী থৌরম চয়োল অমা চুপ্পা পাঙথোকখিবসি মীওইবগা মহৌশাগা নকশিন্নবা হায়বা পান্দম অসিগী মখাদনি। বন মহোৎসবকী ৱাহন্থোকসি উপাল-ৱাপালশিংগী ফেষ্টিবেল হায়বনি। মীওইবগী পূন্সিগা মালেম ইমাগা অমসুং উপাল-ৱাপালশিংগা পুন্না লৈমিন্নবগী ৱাখল্লোন্দা লৈবাক অসিগী অহানবা প্রসিদেন্ট ডো. রাজেন্দ্র প্রসাদকী পূক্লিং ফাওখিবা অপাম্বশিং অদু থবক্তা ওন্থোরকপনি। হৌজিক্কী মীরোলনা উমং হায়বসি মণিপুরদা উবা ফংদ্রে। মসিগী মরুওইবা মরমদি মীওইবনা শীং ওইননবা উপাল-ৱাপালশিং য়ান্থৎখিবা, পামলৌ উননবা উমং কোকথোকপা, উমং-ৱামংশিং পাক শন্না লম্মৈ থাবা অমসুং জঙ্গলদা হৌরিবা অচৌ অচৌবা উপাল-ৱাপালশিং লল্লোনপোৎ ওইনা লৌনরকপদগীনি। উমং-ৱামং কোকশিল্লকপগী অমাঙবা ঙসিগী মীরোলনা খঙবা হৌরে। তেল্লবা চহী খরা অসিদা ওইরক্লিবা ঈশিং নুংশিৎকী অহোংবা, অওনবা কয়া অসিনা চৈথেং পীরক্তুনা মণিপুরদা খুন্দা লৈতাবদা নুংঙাইবা মফম ওইবা ফংলক্কনি হায়বগী থাজনিংঙাই ফাওবা লৈরক্রে। অসিগুম্বা তানফম অসিদা মণিপুর লৈঙাক্কী ফোরেষ্ট দিপার্টমেন্টনবু ওইরবসু, লন্নাই লূপনবু ওইরবসু মফম অমদা নৎত্রগা লম অমদা উ-ৱা থাবগী থৌরম পাঙথোকপা হায়বসি তুংদা হৌরক্কদৌরিবা মীওই খুন্নাইগী খল্লগনি হায়বা য়াই।

বন মহোৎসব চয়োলগা মরী লৈননা মণিপুরদা চহী খূদিংগী উ চারা লীশিং লীশিং থাখি। অদুবু থাখিবা উ চারাশিং অদুগী মনুংদা চাদা ১ ফাওবা য়ৌনা হৌবগী পাউদি তাবা ফংদ্রি। বন মহোৎসবকী ঈহৌসু য়াম্না তপথরে। মতম অমদা ফোরেষ্ট দিপার্টমেন্টনা লৌরম্বা থৌদাং হৌজিক্তি মমিংখক্তগী ওইনা পাঙথোক্লে। খ্বাইদগী হেন্না মরু ওইরিবদি থৌরম অসিদা মহৈরোয়শিং পাক শন্না য়াওহনবগী কান্নবদুনি। মহৈরোয়শিংদা উ চারা থাবগী মরম অমসুং বন মহোৎসব থৌরম পাঙথোকপগী নুংগী ওইবা ৱাহন্থোকশিং অদু খঙহনগে হায়বা তারবদি মখোয়সু থৌরম অসিদা য়াওহনবা তাবনি। চহী নৌরিবা অঙাংশিং অদুদা উ চারাসিমা হৌহনবা ঙম্লবদি তুংদা হৌরক্লিবা মীওই কয়াগী থবক তৌরবনি হায়বা অতেনবা ৱাহৈ পরেং অসি পাউজেল ওইনা পীগদবনি। অসিগুম্বা পাউজেল অসিনা থবক্তা ওন্থোকপা ঙম্বা তারবদি চহী নৌরিবা মহৈরোয়শিং অদুগী ৱাখল্লোন্দা উমং কোকথোকপা নৎত্রগা মরম চাদনা উপাল-ৱাপালশিং য়ান্থৎপা হায়বসি অফবা নত্তে হায়বা শোয়দনা খঙগনি। মখোয়না অরানবা তৌবশিংবু শোয়দনা ৱাখল তাহনবা ঙম্লক্কনি। হায়রিবা ৱাখল্লোনশিং অসি মতম অমদদি ওজাশিংনা মহৈরোয়শিংদা চুহল্লমই। হৌজিক্তি বন মহোৎসব থৌরমগী ৱাহন্থোকসু মফম খঙদ্রে। পাঙথোকপসু অকক্লবা মফম খরখক্তা পাঙথোক্লরে। মতাং অসিদা পঞ্জনিংবা ৱাফমদি মীয়াম্না শরুক য়াদুনা বন মহোৎসবকী চয়োল থৌরমগা মরী লৈননা তাংলবা মখলগী উ চারাশিং থারি। হায়রিবা উ চারাশিং অদু হৌহনবা হায়বসিসু বন মহোৎসব থৌরম পাঙথোকপগী পান্দম অমনি হায়বসি ঐখোয় পূম্নমক্না খঙমিন্নবা চঙই। তাই পুল্লগা, খোঙ্গ্রাউ ফুরিৎ অনানবা শেৎলগা উ চারা থাবনা উ পান্বী হৌহনবা ঙম্লোই। মদুগী মহুত্তা মখোয়সু নুমিৎ হুম্নিগী মনুংদা অমত্তা ওইরসু লাক্লগা মখোয়না থারম্লিবা উপাল-ৱাপালশিং অদুদা ঈশিং মরিক অমত্তা ওইরবসু খিকপীরম্বা চুমগনি। মসিদসু নত্তনা শা-ষণনা মাঙহনখিদনবা শম্বল মতেক অমত্তা ওইরবসু খারম্বনা বন মহোৎসব থৌরম পাঙথোকপগী নুংগী ওইবা ৱাহন্থোক ফংবা ঙমগনি। নোংথোম্বম বিরেন্না লুচিংবা লৈঙাক অসিগী মখাদা কেবিনেট মিনিষ্টর ওইরিবা থৌনাওজম শ্যামকুমারনা মফম খুদিং চৎতুনা হৌজিক হৌজিকমক আগর পান্বী থাবগী কেম্প্যেন অমা চথুরি। আগর পান্বীশিং অসি থাননবা ৱাখল্লোন পীরি। খ্বাইদগী লুরিবদি পান্বীশিং অসি হৌহন্ননবা হোৎনবদা মীয়াম অমসুং মরী লৈনবা দিপার্টমেন্ট অসিদা থবক তৌরিবা এমপ্লোয়ীশিং অসিনি। মখোয় হৌজিক ৱাখল তাহনবগী তঙাইফদবা লৈ।

••• *এডিটরদা থারকপা চিঠি* •••

উপু ঙাগী মরাইবক

ইকায়খুম্নজরিবা এডিটর,

হৌখিবা জুন ২৯দা ফুদ সেফটিগী নোদেল ওফিসরনা ওর্দর অমা থোক্তুনা মণিপুরগী মপান্দগী পুশিল্লকপা উন্না য়োম্বা ঙা (উপু ঙা হায়নসু খঙনবা) মখল খুদিংমক মণিপুরদা য়োনবদা অথিংবা থমখ্রে। অথিংবা থমখিবগী মরুওইবা মরমদি হায়রিবা উনগী ঙাশিং অসিদা হকচাং শোক্লীংঙাই ওইবা ফোর্মেলিন হায়না খঙনবা হুগী মশক ওইরবা কেমিকেল অসি য়াওবা থেংনবদগীনি হায়রি। হায়রিবা মপান্দগী পুশিল্লকপা উনগী ঙা থিংবগী থবকসি য়ূমথংনরিবা নাগালেন্দ ষ্টেটনা হান্না পায়খৎখ্রবা খোঙথাং অমনি। হায়রিবা নাগালেন্দ ষ্টেট অসিদদি অথিংবগী হুকুম অসি হেক থোকখিবগা খুদক্তগী ষ্টেট অদুদা য়োল্লম্বা মপানগী উনগী ঙা পূম্নমক মফম চাবা য়েংলগা ফুমজিন্দুনা মাঙহনখি। অদুবু মণিপুরদদি অসিগুম্বা মখলগী ঙাশিং অসি মাঙহনখিবগী থবক চথুবা উদে, পাউ তাদে। হান্না হান্নগুম ঙা য়োনবা দুকানশিংদা অদুম মখা চথুনা য়োনবগী পাউ তানরি।

চৈরকসিদা হৌখিবা জুলাই ৪দা অকক্লবা চৎন-কাঙলোন খরগী মখাদা অমুক হন্না উন্না য়োম্বা উপুগী ঙা য়োনবা য়ারগনি হায়না মণিপুর হেলথ সর্ভিসেসকী দিরেক্টরনা ওর্দর অমসু থোকখ্রে। থল্লিবা কন্দিসনশিংগী মনুংদা মরুওইবা খরদি পুশিল্লক্লিবা ঙাশিংগী সেম্পল লৌদুনা ষ্টেট ফুদ লেবতা অমদি কোলকটাদা থাদুনা কোলকটা ফুদ লেবতা চাংয়েং তৌরবা মতুংদা হকচাং শোক্লীংঙাই ওইবা মচল (কেমিকেল) য়াওদ্রবা ঙা অদুতবু য়োলহনবা, অনীশুবদনা কনাগুম্বা ঙা লৈরিবা মীওই অদুনা চিংনবা য়াওরবদি খুদক্কী ওইনা চাংয়েং তৌবা য়াবা মেছিন থম্বা হায়বসিনি। অদুগা অরোইবা অহুমশুবা কন্দিসন অদুদনা কনাগুম্বা ঙা য়োনবা মীওই অমনা আইন কায়না য়োল্লম্বা থেংনরবদি মরালগীদমক ফংবা য়াবা চৈরাক অদুগী মতাংদনি। ফাইন ওইনা লুপা লাক্ষ অমা ফাওবা থিহনবা, থা অহুমদগী হৌরগা মপূন্সি চুপ্পা জেলদা থম্বা য়াবগী ৱাফম য়াওরি।

হায়রিবা মথক্কী কন্দিসনশিং অসি য়েংলুরগা ৱাহং কয়া থোরকই মদুদি অহানবদা করিগীদমক লেব টেষ্ট অসি মফম অনীদা তৌবনো? কোলকটাদা চাংয়েংগীদমক সেম্পল থাবা অমদি টেষ্টকী রিজল্ট লাকপদা নুমিৎ কয়ানি চঙগদগে? মণিপুরদা পাঙথোকপা চাংয়েংগী রিজল্টকা কোলকটাগীগা মান্নরক্তবা থোক্লবদি কমদৌবা? চাংয়েং অমখক্কী রিজল্টনা ঙাশিং অদু য়োনবা অমদি য়োন্দবা হায়বদু লেপ্পা য়াগদৌরিব্রা?

অনীশুবা কন্দিসনগী মতাংদা হায়জনীংবা ৱাফমদি লন্নাই চাংয়েংগীদমক থম্বীগদৌরিবা মেছিন অদু য়াম্না মরাং কায়না থম্বীবা অমা চঙই। হান্না মাঙজৌননা মতম লেপথোক্লবা উসব-মেলা, চাকচা-হৈজানবগীদি চাংয়েং তৌনবা মতম খরা ফংবসু য়াই, মদু নত্তনা খুদক্কী ওইবা ৱাফম লাক্লবদি কমদৌবা হায়বা অসিসু মুন্না খন্থবা মথৌ তাই। অহুমশুবা অমদি অরোইবা চৈরাক ফংবগী মতাং অসিদদি করিসু হায়জনীংঙাই লৈজদে। ওইথোক্লরোইদবা ৱাফম ঙাক্তনি হায়না শুপ্পা থমজগে।

অরোইবদা থমজনীংলিবা ৱাফমদি ইশাগী পোত্থোক্লা চাবা কোন্নজদবা মরম্না মপান্দগী পুশিল্লকপা উনগী ঙা অসি থিংখ্রবদি ঙাগী ওইবা খুদোংচাদবা খরদি মায়োক্লবা মশানা তাবনি। অদুমকপু স্লো পোইজনীংগী শক্লোন লৌরবা মপানগী উনগী ঙা অসিবুদি মরম কয়ামুক্তগী য়েংলগা মতম পূম্বগী ওইনা য়োনবা থিংবনা ফৈ হায়জনীংই। অদুমকপু য়েংসি উপু ঙাগী মরাইবক।

অদোমগী - সৌবাম ইন্দ্রমনি
খ্বাইরাকপম লৈকায়, ইম্ফাল

লৌমীশিংগী কাখল

নাপী হীদাক শীজিন্নবগী চাং ৱাংখৎলকপা

ডা: এম থোইথোই সিংহ

মণিপুরদা নাপী হীদাক শীজিন্নবগী চাং য়াম্না ৱাংলে। তঙাইফদবগী শীজিন্নবা হায়বদু ওইদ্রে। অকক্নবা লৌফম অমদা নাপী হীদাক অহুল্লক কাপ্পা ফাওবা য়াওরে। অয়াম্বা লৌফমদা অনীরক্তি শোয়দনা শীজিন্নরে। মসিগী মরুওইবা মরমদি শীজিন্নগদৌরিবা নাপী হীদাক্কী মখল, শীজিন্নবগী মওং, চাং অমসুং মতম অসিনচিংবদা অশোয়বা লৈবননি।

ফৌরক্তা হৌরিবা নাপীশিং হাৎনবা মখল কয়াগী নাপী হীদাক শীজিন্নৈ। শীজিন্নবগী মতম, চাং অমসুং চাইথোকপগী মওং চুল্লবদি হীদাক্তুগী কান্নবা চপ চানা ফংবা ঙমগনি। ফৌ পান্বী মরক্তা হৌরিবা নাপীশিং হাৎপদা শীজিন্নবা য়াবা নাপী হীদাক মখলসি ওন্থোক্লা য়ামখ্রে। অদুবু হীদাক শীজিন্নবদা চঙলিবা শেনজঙ, শীজিন্নগদৌরিবা হীদাক্তুগী ভোল্যুম, হীদাক মখলদুনা থোকহনবা য়াবা অমাঙবা অমসুং খূৎলোয়বা খূৎলোয়দবগী মতুং ইন্না লৌমীশিংগী অপাম পামদা লাকই। অদুবু ফনা ফবা হীদাক ওইরবসু শীজিন্নবগী মতমবু শোয়রবদি পূম্নমক অরেম্বনি। “ঐগীদি কাপফম থোকপা কাপখ্রে” নৎত্রগা “চাইফম থোকপা চাইখ্রে” হায়দুনা পূক্লিং নুংঙাইবা খক্লি। কান্নবদি ইফং ফংদে।

নাপী হীদাক মখল : নাপী হীদাকশিংবু শীজিন্নবগী মতমগা মরী লৈননা অনী থোক্লা খায়দোকই।

১) নাপী মরুশিং পোকখায়দুনা হৌদ্রিঙৈ মতমদা হাৎহৌবদা শীজিন্নবা নাপী হীদাকশিংবু শম্না প্রি ইমর্জেন্স ৱিডিসাইড হায়না খঙনৈ। Butachlor, Pretilachlor, Pyrazosulfuron ethyl লমদমসিদা তোয়না শীজিন্নরিবা হীদাকশিংনি। হায়রিবা হীদাকশিং অসি ফৌ লিংলবা নৎত্রগা পামফেল হুল্লবা মতুং নুমিৎ ৩-৪ নিদগী হেন্না থেংথদনা শীজিন্নগনি। হায়বদি লৈবাক শেল্লবা মতুং উকাই তক্লবা মতুংদা লৈবাক্কী মথক থংবা ইঞ্চি অমগী মনুংদা লৈরিবা নাপী মরুশিংদু হৌদ্রিঙৈদা হাত্তোক্লনবা নাপী হীদাক (Pre emergence weedicide) কাপ্পী। Butachlor হায়বা নাপী হীদাকসি মপং (গ্রেন্যুল) ওইনা অমসুং মহি ওইনসু ফংই। মপং ওইনা লাকপা Punch 5% নৎত্রগা Machet 5% লৌ শঙম অমদা কিলোগ্রাম ৫-৬ চাইথোক্কনি। মহি ওইনা লাকপা Butachlor 50% EC ওইরগনা শঙম অমদা মিলিলিটর ৬০০ ঈশিং লিটর ১০০ দা য়ানশিনবীরগা ফৌ লিংলবা মতুং নুমিৎ ৫-৭ ফাওবগী মনুংদা কাপথোকহৌগনি। থেংথবদা কান্নবা ফংদে।

Pretilachlore (Rifit 50%, Rifit puls 37% (ঈশিংদা শন্দোকপা য়াম্না লায়হল্লবা অমসুং য়াম্না ইফেক্টিভ ওইবা হীদাক) Eraze 50% নৎত্রগা Delete 50%) মহি ওইনা লাকপা হীদাকসি মিলিলিটর ২৫০ দগী ৩০০ ফাওবা ঈশিং লিটর ১৫০ দা য়ানবীরগা লৌ শঙম অমদা কাপথোক্কনি। মসি ফৌ লিংলবা মতুং নুমিৎ হুমনি ফাওবগী মনুংদা পাঙথোক্কনি। হীদাকসি কাপথোকপা মতমদা ঈশিংগী চাংসি সেন্টিমিটর অনীমুক্তং থম্বীগনি। কাপখ্রবা মতুং নুমিৎ নীনি/হুমনি থম্বীরবা মতুংদা থম্লিংবা ঈশিংগী চাং (সেমি ৫) দা থম্বীবা য়াই। ঈশিংগী চাংনা সেমী অনীদগী হেন্না ৱাংনা লৈখ্রবদি লৈঙোই কিলো ৫-৬ কা হীদাকসি মিলি ২৫০-৩০০ ফাওবা য়ানবীরগা লৌ শঙম অমদা চাইথোক্কনি।

Pyrazosulfuron ethyl (Property, Saathi, Kilog etc.) 10% ওইরগদি ফৌ হুল্লমদাই নৎত্রগা লিংলমদাই অমসুং লিংখ্রবা নৎত্রগা পাম্ফেল হুনখ্রবা মতুং নুমিৎ হুমনি ফাওবদা কাপথোক চাইথোকপা য়াই। হেন্না ফবদি পাম্ফেল হুনখ্রবা মতুং নৎত্রগা লিংখ্রবা মতুং নুমিৎ হুমনিদা শীজিন্নবনা হেন্না ওইজৈ। মরমদি লিংদ্রিঙৈদা কাপথোক চাইথোকখিবসিদি ফৌ লিংবা মতমদা লৌফমদুদা চাইথোকখিবসিদি ফৌ লিংবা মতমদা লৌফমদুদা চথোক-চৎশিন তৌবনা হীদাক্তু লৈবাক মনুংদা চঙহনখিবা মরম্না কা হেন্না কান্নবা ঙমহন্দে। মচি মচিদা নাপী হৌরকই। লিংলবা মতুং নৎত্রগা পাম্ফেল হুল্লবা মতুংদা ঈশিং থাদোকখ্রবা মতুংদা কাপ্লবদি চপ চানা কান্নবা ফংই। শঙম অমা চাউবা লৌফমগীদমক নাপী হীদাকসি গ্রাম ৪০ চঙগনি। ঈশিং লিটর ১৫ খুদিংদা গ্রাম ১০ য়ানবীরগা কাপথোক্কনি।

২) নাপী হৌরবা মতুংদা নাপীশিংবু হাৎনবা হীদাকশিংদু পোষ্ট ইমর্জেন্স ৱিডিসাইড হায়না খঙনৈ। নাপীশিংনা খরা চাউরক্লবা মতম হায়বদি মনা মরিমুক শুরক্লবা মতমদা শীজিন্নবনা হেন্না ওইজৈ। মসি ফৌ লিংখ্রবা নৎত্রগা পাম্ফেল হুনখ্রবা মতুং নুমিৎ ১৫ নিদগী ২৫ নি ফাওবগী মনুংদা ওইগল্লি। অদুবু মসি লৌবুক্তা ঈশিং লৈবা লৈতবগীসু মখা পোল্লি। নুমিৎ ৩০ নি শুদ্রিঙৈদা নাপীশিং হাৎহৌগনি। নুমিৎ ৩৫ ফাওবসি নাপী অমসুং ফৌ পান্বীশিংগী মরক্তা কম্পিটিসন লৈবনা নুমিৎসি য়ৌদ্রিঙৈদা নাপীশিং হাৎহৌরবদি ফৌনা নাপীশিংবু ঙমখ্রগনি।

নাপী হৌরবা মতুংদা শীজিন্নবা য়াবা হীদাকশিংদি 2, 4-D; Metsulfuron methyl 10% + Chlorimuron ethyl 10% (Almix, Mahamix); Cyhalofop butyl 10% EC (Clincher 10%), Penoxsulam (Granite), Macho (Bispyribac)

2, 4-D : নাপী হীদাকসি মওং কয়াদা হায়বদি মহিদা, মফোলদা অমসুং গ্রেন্যুল ওইনা ফংই। মওং খেন্নবগী মতুং ইন্না হীদাক য়াওবগী চাংসু খেন্নৈ। চাদা ৩৬ গী মপাঙ্গল লৈবা হীদাকসি লৌ শঙম অমদা মিলিলিটর ৫০০ অমসুং চাদা ৩৮ গী মপাঙ্গল লৈবা ওইরগনা মিলি ৫৫০ শঙম অমা চাউবা লৌফমদা শীজিন্নগনি। চাদা ২০ গী মপাঙ্গল লৈবা 2, 4-D মফোল ওইরগনা লৌ শঙম অমদা কিলোগ্রাম অমা চঙই। অতোঙবা ঈশিং লৈতবা ফৈদোমগী মচি মচিদা তাখিবা নাপী হীদাক্তু চাইথোকপা ঙমদবনা পান্বীদা অকায়বা পী। অসিগুম্বা ফীভমসি তারক্তনবা লৌফম্বু লৈতেম মান্ননা ফৌ লিংদ্রিঙৈ নৎত্রগা পাম্ফেল হুন্দ্রিঙৈদা উকায় তকহৌগনি অমসুং ইঞ্চি অমা অনীমুক থানা ঈশিং লৈহল্লগা নাপী হীদাক শীজিন্নগনি।

Mestulfuron methyl 10% + Chlorimuron ethyl 10% (Almix, Mahamix): লৌ শঙম অমা চাউবা লৌফমদা গ্রাম মঙাখক চঙই। ঈশিং লিটর ১৫ খুদিংদা গ্রাম অমমুক্তং হাপ্লগা কাপথোক্কনি। মনাদা হীদাক্তু মিলিলিটর ৫-৫ সু হাপহৌগনি। নাপীনা মনা মরিমুক শুরকপদা কাপ্পনা হেন্না ওইজৈ। লৌফমদা ঈশিং লৈবা লৈতবগা মরী লৈনদে। অদুমকপু অয়াম্বা ঈশিং থাদোকখ্রগা নাপীশিং মশক ফজনা উরবদি নাপীদা হীদাক্লা মপূং ফানা চোৎহনগনি। ইরায় লায়না হাৎকনি।

Cyhalofop-butyl 10% EC (Clincher) : উরীচাক ফৌমানবী হাৎপদা য়াম্না নুংঙাইবা হীদাকনি। শঙম অমদা মিলিলিটর ২০০ চঙই। মনা ৪-৫ শুরবা মতমদসু উরীচাক ফৌমানবীবু ইরায় লায়না হাৎলি। মমল খিত্তং তাঙই। উরীচাক ফৌমানবী য়াম্না কনবা মফমদদি য়াম্না কান্নবা হীদাকনি।

Penoxsulam 21.7% (Granite) : মনা অকুপ্পা অমসুং অপাকপা অনীমক হাৎপা ঙম্বা হীদাকনি। নাপীগী মনা মরি মঙা শুবা মতমদা শীজিন্নগনি। মিলি ২০ শঙম অমা চাউবা লৌফমদা শীজিন্নগনি। মিলিলিটর মঙা ঈশিং লিটর ১৫ খুদিংদা য়ানগনি।

Macho (Bispyribac) : পাম্ফেল হুনখিবা নৎত্রগা লিংলবা মতুং নুমিৎ ২৫ নিমুক শুবা মতমদা হৌরিবা নাপীশিং হাৎপা লায়হল্লি। শঙম অমা চাউবা লৌফমদা মিলিলিটর ৫০ চঙই। ঈশিং লিটর ১৫ চনবা স্প্রেয়রদা মিলিলিটর ১২.৫ হায়বদি স্প্রেয়র মরিদা হাপ্লগা কাপথোক্কনি।

থমজনীংবা ৱাফমদি নাপী হৌরবা মতুংদা শীজিন্নগদবা হীদাকশিংবু নাপী হৌদ্রিঙৈদা শীজিন্নবা নৎত্রগা নাপী হৌদ্রিঙৈদা শীজিন্নগদবা হীদাকশিংবু নাপী হৌরবা মতুংদা শীজিন্নবা হায়বসি অরেম্বদা শেল মাঙহনবদা নত্তনা শেলনা লৈবা য়াদবা মতমসু মাঙহল্লি হায়বসিনি।◀◀

শিথরক্লিবা অঙনফৌগী লৌফমশিং হিংগৎনবা হোৎনরসি

এস সুমঙ্গল সিংহ

মণিপুরদা অঙনফৌ থানরম্বা মফম কয়াদা লৈরিবা লৌবুকশিং অসিদা হৌজিক্তি মরম অমা নৎত্রগা অমদগী অঙনফৌ থাবা তোক্লরক্লি। হায়রিবসি মণিপুরগী অতৈ মফমশিংদসু অদু মঙাই। হান্ননা অফবা লৌফম কয়া অমসু লোক্তাক হায়দেল পৱার প্রোজেক্টনা মরম ওইরগা ঈশিং য়োকখিবদগী ফৌ থাবা য়াদদুনা ঙাগী ফার্ম ওন্থোরক্লি। অঙনফৌ থাবা তোক্লরক্লিবা অসিগী মরমশিং অদুগী মনুংদা মরুওইবা খরা পনবা তারগদি - ঈশিং পীনবা ঈথৈ লৌখোংগী খুদোংচাবা ৱাৎপা, লৈরিবা রিভর লিফ্ট ইরিগেসন (আর এল আই) গী মফমশিং ফেল ওইরকপা, হান্না মথৌ তৌরম্বা দামশিং য়ারক্তবা, মতমগা চানবা চাথোক লৈবা ফৌ মখল য়াম্না লৈতবা, লৈরবসু মশক মুন্না খঙনদবা, অঙনফৌ থারবসু লোকপা মতমদা নোং নংদুনা ফৌ লোকপা মতমদা খুদোংচাদবা, মথংগী ফৌ থানবা শেম শাবগী মতম নিংথিনা ফংদবনা মমুৎ তানা খোইবা নংদে, হান্না হৌরম্বা নাপী শিংনাশিং, অশংবা চরুখোকশিং হিংনোই নোইরগা থাবা মরম্না মখোয়শিং অদু নিংথিনা পৎথ পুমথবা ঙমদে । মরম অসিনা চাথোক নিংথিনা পুথোকপা ঙমদবা, অঙনফৌ অমসুং অনীরকশুবা ফৌগী পোত্থোক অনীগী অপূনবা পোত্থোক্তগী চাথোক লৈবা ফৌ মখল অমা শীজিন্নদুনা লৌরোক অমত্তং নিংথিনা মতম চানা থাবনা হেন্না ফৌথোক লৈরকপা অসিনচিংবা পনবা য়াই। অদুবু লাইবক ফবা অমনা তুরেল ময়া নকপদা লৈবা লৌফমশিংদা ঈশিং চিংনবা পম্প শীজিন্নদুনা অঙনফৌ থাবা মফম লৈতবদি নত্তে। অতোপ্পা মরুওইবা মফম খরা অমুক পনবা তারগদি মণিপুরগী লৈরিবা পাৎশিংগী পাৎয়াদা লৈবা লৌফমশিং অসিনি হায়জনীংই। মফমশিং অসিদা হৌজিক হৌজিকসু মায় পাক্লা ফৌ থাবা থেংনরি। মফমশিং অসিদা থানরিবা ফৌ মখল অয়াম্বদি মমাঙঙৈদগী থানরক্লবা ময়াম্না নম্বর ১ হায়না মশক খঙনরবা ফৌ অসিনি। ফৌ অসিসু য়াম্না ফবা ফৌ মখলদি ওই হায়ববু খরা হেন্না ফবা চাথোক হেনবা ফৌ মখল ওইনা থাহনঞ্জনীংই। থাবগী মওংসু খরা হোংদোকহন্নিংবা লৈ। হান্না থানরিবা মওংদি ওক্টোবর, নবেম্বরগী মতমদা অশাবগী চাং খরা ৱাংলিঙৈ মতমদা হায়বদি ফৌনা নিংথিনা মতোন চোংবা ঙম্লিঙৈদা লৌহোন হুন্দুনা থল্লগা অঙৗংবা মতম শাংনা খাংহন্দুনা লৌহোন্না ঙাংশিন্দুনা, লিশিন্দুনা থল্লগা খরা শাগৎলকপা মতম হায়বদি জান্যুৱারীগী অরোইবা নৎত্রগা ফেব্রুৱারীগী হৌরকপদা লিংথোকপা অসিনি। মসিনা য়াম্না মায় পাক্লবা হায়বদুদি নত্তে। অহানবা লিংবা ফৌ মপী অদুনা খূৎলৈ থুনা শাৎতুনা মপূং ফানা ফৌ পানবা ঙমদনা মাঙখ্রবা মতুংদা কোন্না পোক্লকপা মচাশিংনা মপূং ওইবা ফৌ ওইহৌবনা অয়াম্বনি। চাথোক হন্থবা তাবনি। মসিনি অয়াম্বা পাৎয়াদা অঙনফৌ থানরিবা ইচিন ইনাওগী অঙনফৌ খুথা। হায়রিবা মওং অসিমক ঙাগী ফার্ম ওন্থোকখ্রবা মফমশিংদসু ঈশিং কংথরকপা মতম অমদি ঙা ফাদোকখ্রবা মতুংদা মথংগী নোং তারকপগা ইরোইননা ঙা অমুক থাদদ্রিঙৈ মতমদা ফৌ অমুক্তং অঙনফৌ ওইনা লোকহৌনবগী থৌওংনি পায়খৎনরিবা।

মতাং অসিদা থমজনীংলিবা ৱাফমদি মরুওইনা ঙাগী ফার্মশিংদা সিষ্টেম ওফ রাইস ইন্টেন্সিফিকেসন (এস আর আই) মেথোদতা ফৌ থাবা অসি পায়খৎপদা খুদোংচাবা য়াম্না লৈ হায়বা অদুনি। মসিদা তৌগদবা থবক থৌরমশিং অদু খরা থমজগে।

ফেব্রুৱারীগী অরোইবা চয়োলদগীনা মার্চকী অহৌবা চয়োলফাওবগী মনুংদা লৌহোন হুনবা য়ারে। খরা ইংবা মতম ওইবনা লৌহোন শাহৌ খরা থিনগল্লি। মরম অদুনা এস আর আই মেথোদতা লৌহোন নুমিৎ ৮-১২ নি শুবদা ফোইবা ওইথোক্তে। য়ামদ্রবদা নুমিৎ ১৫-১৭ নি শুবদা ফোইবনা ফৈ।

ফৌ মখল ঃ পি এ সী - ৮০৭, আর সী মনিফৌ ১২, পারিফৌ পনবা য়াই।

লৌহোন হুনবা ঃ লৌফম নকপা মফমদা অকংবদা নৎত্রগা লৈনাংদা ওইরবসু অদুমক লৌহোন হুনবা য়াই। লৌ শঙম অমগীদমক তঙাইফদনা ফৌ কিলো অমদগী অমগা পৱা চঙগনি। তশেংনমক্তি স্কার মিটর ১ দা গ্রাম ২৫ গী চাংদা মরু হুল্লবদি কিলো ১ গী (গ্রাম ১০০০) দমক মিটর ১ পাকপা, মিটর ১০ শাংবা ফৈদোম ৪ চঙগনি। মসিমক তশেংনা পাঙথোকপা ঙম্লবদি য়াম্না ফরে। অদুবু মসিমক পাঙথোকপা কনাসু য়াওদবগুম থেংনৈ। মানা মানা থোকপা হুনবদা অদুমক মায় পাকপা কয়া অমনি। মদুসু লাল্লি হায়বদি য়ারোই। মরম অদুনা থমজনীংলিবা ৱাফমদি খরা লন্না অদুমক হুনবিবা য়াই।

লিংবা ঃ লৌহোন্না নুমিৎ ১২-১৩ শুরকপদা ঙাগী ফার্ম অদু ঙা ফাদোক্তুনা অমদি ঈশিং শিৎতোক্তুনা লৈনাং ফমথহনবা য়ারে। লৈনাং খরা ফমথরবা মতুংদা ফৈদোম তাখৎপগী খুদোংচাবা লৈ। অসুম্না থাগদবা ইচিন ইনাও খুদিংমক মতম অমত্তদা ঙা ফারবদি ঙা য়োনবা মতমদা হোংবগী খুদোংথিবা নংবসু য়াই। মরম অদুনা ঐগী ঐগী খুদোংচাবা য়েংদুনা ঙা ফাবীগনি অদুবু ঙা ফাখ্রবা মতুংদা ফার্মগী ঈশিং পুংকং কংহনবদি তৌবিরোইদবনি। ইশাগী লৌ লিংদবা মতম হায়বদি মমাঙদা থমজখিবা মতমগা চান্নবা য়েংদুনা ঈশিং শিৎতোকপীগনি। অসুম্না মতম চানা হোৎনরবদি শোয়দনা মায় পাক্কনি।

লিংবগী অরন অকুংদি ময়াম্না এস আর আইদা তৌনরিবা অদুমক পায়খৎপীগনি। পরেংগা পরেংগা ইঞ্চি ৮-৮, পরেংগী মনুংদা পান্বীগা পান্বীগা ইঞ্চি ৮-৮ লাপ্পনবা মওং য়েংদুনা থাবীগনি।

হার হাপ্পা ঃ ঙাগী ফার্মদা ফৌ থাবা মতমদা হার থোইদোক্লা চঙদে। ফার্মগী লৈমায় য়াম্না লৈহাও চেনবা মরম্না হার হাপত্রবসু য়াই। ফৌ থারবা মতুংদা হার ৱাৎপগী খুদম ফংলবদি অখঙ অহৈ তানরগা হাপসি।

লৌফম খোইবা ঃ ঙাগী ফার্মদা লৌফম খোইবগী মথৌ তাদে। ঈশিং শিৎতোকখ্রবা মতুংদা লৈনাং তানা লৈতেম মান্ননা উকায় তক্লবা মফমগুম ফৈদোম শেম্বা য়ানা লৈবা থেংনবীগনি।

ফৈদোম শেম্বা ঃ লৈতেম মান্ননা লৈরবা মফমদুদা মিটর ১ গা সেন্টিমিটর ৭৫ পাকপা ফৈদোম শেম্বীগনি। মসি য়াম্না লুনা লৌবীগনু। নাপচৈ অমা শীজিন্নরগা য়াবা থবকনি। হায়রিবা অপাকপসি য়েংদুনা শুটলিগুম্বা অমা শীজিন্নরগা নাকল অনীমক্তা পাকপা মান্ননা তিংলগা সনাবুন অমনা তক্তুনা চুরি হনবা য়াই। থবক ওইনা তৌরগা অদুমক খঙগনি। অসুম্না শেল্লবা ফৈদোমদা রোল্লর মার্কর কৌবা অমনা ওন্দুনা থাফম হকপা য়াই। অসুম্না হক্লবা ফৈদোমদা অহকপা মপাদা ফৌ পান্বী অমমম য়াম্না লুনা ফুমদনা খোইবিরগা অদুমক য়ারে। ফৌ পান্বী পৈথোক পৈশিন তৌবা য়াই। শেমদ্রবসু মশা মথন্তা অদুমক চুমথোকচখিনি। হায়রিবা অসি নৎত্রবসু জপান লৌরিংগুম থৌরি শীজিন্নদুনা অদুমক লিংবা য়াই। ফৈদোম ফৈদোমগী অরাপ্পদু অদুমক থম্বীরগা চুরি ওইগদৌরিবা শরুক অদু ফৌ থাবিরমদ্রগা অদুমক য়ারে। লিংবা লোইরবা মতুংদা চুরিশিং অদু সনাবুন অমগী মতেংনা তক্তুনা শেম্বীবা য়াই।

লায়না-তীলনা ঃ মতম মতমগী লায়না তীলনা ঙাকথোক্লবা অখঙ অহৈ মতম চানা তানবীয়ু। অদুবু মতম অসিদা ফৌবু মাঙ তাক্লবা মওংদা লায়না তীলনা তাবা কয়া থেংনরোই।

ঈশিং চনবা ঃ এস আর আইদা ঈশিং য়াম্না চঙদে। অদুবু নাপী হৌরবসু হৌদ্রবসু মখোঙ হোমহন্নবা হোৎনবা তঙাইফদে। অসুম্না মখোং হোমহন্নবা হোৎনবা মতমদা নোংমা মাঙজৌননা ঈশিং পারপ হায়বদি ইঞ্চি অমমুক লুনা ঈশিং চনবিবা তঙাইফদে। ঙাগী ফার্ম তৌবা মফমদা ঙা চারা শেমগৎনবা থম্বা পুখ্রিদুদগী ঈশিংনা অদুমক কোন্নবা য়াই। ফৌ থারবা মতুংদা ঈশিং তুংনবা মওংদা ঈশিং থাজিনবা য়াদে। পেৎলি পেৎলিদমক থম্বীগনি। কংলবসু লৈক্রক লাওনা চৎহনবদি য়াদে। অসুম্না অনীরক অহুল্লক নাপী পেংবিরবদি এস আর আই মায় পাক্লে হায়না লৌবা য়ারে। অসুম্না শিথরক্লিবা অঙনফৌগী লৌফমশিং হিংগৎনবা হোৎনরসি।◀◀